**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 02-09.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) শিক্ষা মন্ত্রি-থৌনাওজম বসন্তকুমারনা হায়রি- মণিপুরদা বন্দ-ব্লোকেদ তৌরিবশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎনবা অনৌবা আইন অমা শেমবা থৌরাং তৌরি।

২) এম.এল.এ- আর.কে. ইমোনা গৃহ মন্ত্রিদা আইবা চেরোল থাদুনা মণিপুরগী ইরাং লোইশিন্নবা তকশিনখ্রে।

৩) লৈবাক অনিগী লানদা শিজিন্নগদবা দ্রোন ফাওবা শিজিন্নদুনা কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীতে খুলশিংদা লান্দারকখিবা থৌওংবু মাইকৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

৪) ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট জিলাগী তোঙানবা মফমশিংদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা বোম অমদি নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে। মীচম অনি শোক্লে।

অমসুং

৫) কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা লৈবাক অসিগী লৌমীশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবা লুপা কোতি লিশিং ১৩,৯৬৬ চংনা পায়খৎকদবা স্কিম ৭ অয়াবা পীখ্রে।

------

সেন্সিটাইজেসন (এল) ঃ শিক্ষা মন্ত্রি-থৌনাওজম বসন্তকুমারনা হায়রি- মণিপুরদা বন্দ-ব্লোকেদ তৌরিবশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎনবা

অনৌবা আইন অমা শেমবা থৌরাং তৌরি।

ৱাফম অসি ঙসি ওল মনিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী গোল্ডন জ্বিলি থৌরমগা মরী লৈননা রাজ্যগী শিক্ষা বিভাগকা খুৎশমদুনা স্কুল ইজ্‌কেসন হায়বা হিরমদা পাঙথোকপা নোংমগী ওইবা মিদিয়া সেন্সিটাইজেসন থৌরমদা মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শ্রী বসন্তকুমারনা হায়- রাজ্য অসিগী মরুওইবা হাইৱে য়াওনা মফম কয়াদা বন্দ-ব্লোকেদ তৌবা অসি থিংনবা মণিপুর বন্দ এন্দ ব্লোকেদ প্রিভেন্সন এক্ট হায়না মীংথোনবা আইন অসি মণিপুর বিধান সভা মীফমদা পুথোক্লগনি। মসিগী দ্রাফটশিং মাংজোননা মন্ত্রি, এম.এল.এশিংদা থাখ্রে। মহাকা হায়- আইন অসিনা মরম ওইরগা চহি ১০ গী মতুংদদি বন্দ-ব্লোকেদ লৈতবা লমদম অমা ওইহনবা ঙমগনি খল্লি। আইন অসিগী মখাদা বন্দ তৌরিবশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎপগা লোয়ননা জেলদা ফাওবা থমদুনা চৈরাক পীবগী ৱাফম য়াওরি। আইন অসিগী মখাদা চৈরাক ফংলবশিং অসি নোন-বেলেবল ওইগনি।

অমরোমদা, লমদম অসিদা প্রাইভেট ট্যুসন তৌবগী চৎনবী অমা লাক্লিবা অসিগী মতাংদা পল্লদুনা মন্ত্রিনা হায়- স্কুলশিংদা তাকপী তম্বীরিবা অসিদগী হেন্দোক্তুনা প্রাইভেট ট্যুসন তৌবগী চৎনবী অসি হোংদোকপা মতম ওইরে। স্কুলদা মহৈরোইশিংদা মতিক চানা তাকপী তম্বীরবদি ট্যুসনগী দরকার ওইদে। মহাকা হায়- হৌজিক রাজ্য অসিদা চাউরাকা সরকারগী স্কুল লিশিং মরিগী মথক্তা লৈরি। স্কুলশিং অসিগী ওজা অমদি ষ্টাফশিংগী অৱাৎপগী খুদোংচাদবা কয়া মেনখৎনবা হোৎনবদা শিক্ষা বিভাগসু অৱাবা অমা ওইরি। অৱাৎপা কয়া অসি চহি অমা অনিদা মেনখৎপা হায়বসিদি ওইথোকপা ঙমলোই।

ইমো (এল)ঃ মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিদা করিগুম্বা থবক অমত্তা তৌদনা য়েংদুনা লৈরিবা সেন্ত্রেল ফোর্সশিং লৌথোকখিবনা হেন্না ফৈ হায়না এম.এল.এ- আর.কে. ইমোনা গৃহ মন্ত্রিদা আইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে।

এম.এল.এনা গৃহ মন্ত্রিদা থাখিবা চেরোল অদুদা পল্লিবদি- ঙরাং খুৎলায় পায়বা কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীতৈগী খুলশিংদা চথখিবা এটেক অদু য়ামা লাইবক থিবনি। থৌদোক অদুদা মৌ নহা অমা য়াওনা মীওই অনি শিখিবা অমদি পীক্লিবা অঙাং য়াওনা মীওই কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখি। থৌদোক অসি থম্মোয় শোকা নুংঙাইতবা ফাওই। খুৎলায় পায়বা কুকি মিলিটেন্টশিংনা চথখিবা এটেক অদু মখোয়গী শান্তিগী ওইবা খোঙচৎ পাঙথোকখ্রবা মতুং হেক থংনবা নুমিৎতা চথরকখিবনি হায়না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোক্লি। হিংশাগী থৌদোকশিং অসি কেন্দ্র সরকারনা লোইশিন্নবা হোৎনদ্রিবা করিগীনো হায়না হংলদুনা এম.এল.এনা হায়- ইরাং অসিদা করিগুম্বা থবক অমত্তা লৌখৎতনা য়েংদুনা লৈরিবা সেন্ট্রেল ফোর্স লিশিং ৬০ রোম অসি লৌথোকখিবনা হেন্না ফৈ। ফোর্সশিং অসিনা লমদম অসিদা শান্তি পুরকবা হোৎনবগী মমি তাদে। কেন্দ্র সরকারনা আইন কায়না লমদম অসিদা চংশিল্লকখিবা খুৎলায় পায়বা মিলিটেন্টশিং অমদি সুগী গ্রাউন্দ রুল থুগাইবশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎকদবনি। লোয়ননা রাজ্য সরকার অমদি মীয়ামদা কোর্পোরেসন পীদবা অসাম রাইফলস য়ুনিতশিং লৌথোকপীয়ু হায়বা ৱাফম য়াওরি।

এম.এল.এগী চেরোল অদুদা মখা তানা রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসি লোইশিন্নবা ষ্টেগ হোল্ডর পুমমক য়াওবা মীফম অমা পাঙথোকবা কেন্দ্র সরকারনা হোৎনবীয়ু। মসিনা লমদম অসিদা তুং কোইনা শান্তি পুরকবগী লম্বী অমা ওইগনি হায়রি।

রাধেশ্যাম (এল)ঃ হিয়াংলম কেন্দ্রগী এম.এল.এ- ডাঃ য়ুমনাম রাধেশ্যামনা ঙসি কেন্দ্র অসিগী ঈচাউনা শোকহল্লবা মফমশিং হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। য়েংশিন খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা এম.এল.এ- রাধেশ্যামনা হায়- রাজ্য সরকারনা মণিপুরদা শান্তি তপা তপা হঞ্জিল্লিক্লি, ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনরিঙৈ তাল্লক অসিদা ঙরাং খঙহৌদনা লৈবাক অনিগী লানদা শিজিন্নগদবা দ্রোন ফাওবা শিজিন্নদুনা মীতৈ খুলদা লান্দারকখিবা অসি লাইবক থিবনি। থৌওং অসি কন্দেম তৌই।

অমুকো (এল)ঃ কাংলুপ নাইবা মওংদা কোম্বিং ওপরেসন চথবা অসি মণিপুর থুগাইবা পাল্লিবা কুকি মিলিটেন্টশিংদা মতেং পাংবনি হায়না ওল মণিপুর য়ুনাইতেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাংনা ফোংদোরক্লি। অমুকোগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাকা হায়- কুকি মিলিটেন্টশিংনা দ্রোন য়াওনা অফবা মখলগী খুৎলায় শিজিন্নদুনা বোম থাদদুনা লান্দারক্লিবা অসিদা সেন্ত্রেল ফোর্সশিং করিগুম্বা থবক অমত্তা লৌখৎতবা অসি য়ানিংদে। মসিগী মতাংদা সেক্যুরিতি এদভাইজরনা ফিরেপ অমা লৌদুনা মিলিটেন্টশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎকদবনি। মহাকা হায়- ঙরাং কৌত্রুক্তা চথখিবা এটেক অদুদা লৈবাক অনিগী মরক্তা চথবা লানদা শিজিন্নগদবা খুৎলায় ফাওবা শিজিন্নখি। ওইরিবা ফিভম অসিদা করিগুম্বা এক্সন অমত্তা লৌখৎতবা অসি য়ামা লাইবক থিবনি। এক্সন লৌবা ঙমদ্রবদি সেক্যুরিতি এদভাইজরগী থৌ পুরিবা কুলদিপ সিংহ ফম থাদোকফম থোকই।

বিজেপি (এল)ঃ ঙরাং কৌত্রুক্তা তেরোরিষ্টশিংনা চথরকখিবা এটেক অদুবু বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। দলগী জেনেরেল সেক্রেটরি এল. দেবেন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- ঙরাং সেপ্তেম্বর ১ দা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কৌত্রুক্তা তেরোরিষ্টশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা মরাল লৈজদ্রবা মীচম নুপী অমা লৈখিদবা অমদি অঙাং য়াওনা মীওই কয়া শোকহনখিববু বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশনা কন্দেম তৌই। অসিগুম্বা তেরোরিষ্টকী এটেক অসিদা চেন্নরিবা মরাল লৈবশিং ফাদুনা মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি হায়রি।

মহেশ (এল)ঃ লৈঙাক পায়রিবশিংনা মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি কুকি নার্কো তেরোরিষ্টশিংনা চথবনি হায়না ফোংদোকপা ঙমদবনা ইরাং লোইশিনবা ঙমদবনি হায়না রিপাব্লিকান পার্তি ওফ ইন্দিয়া (অথৱালে)গী নেসনেল সেক্রেটরি মহেশ্বর থৌনাউজমনা হায়খ্রে।

কৈশামপাৎতা লৈবা দল অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহেশ্বরনা হায়- মণিপুরগী ইরাং অসি কুকিশিংনা শান্তিগী খোঙচৎ অমা পাঙথোকপগী মীংদা অফবা মখলগী খুৎলায় পায়দুনা মৈতৈশিংদা লান্দারকপদগী হৌরকখিবনি। মতম খরা লেপ্পুরবা মতুংদা ঙরাং কৌক্রুক্তা দ্রোন শিজিন্নরগা বোম থাদদুনা লান্দারকপগী থৌদোক্তা মৌ নহা অমা হাৎখিবা অমদি কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখিবা অসি য়ামা লাইবক থীবনি।

পুলিস (এল)ঃ  ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী য়াইঙংপোকপী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা থমাপোকপী চীংথক্তগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা শান্তি খোঙবান তমা নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপশিন্দুনা লান্দারকখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়- থৌদোক অদু গীতঞ্জলি ব্রিক ফিল্ডদা লৈবা ২০ জাট রেজিমেন্ট অমদি পুলিসকী মাইকৈদগী হন্দুনা অকনবা মওংদা খুৎ থোকখি। হৌখিবা অহিং নোংয়াইদা কুকি মিলিটেন্টশিং অদুনা শান্তি খোঙবান তমা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবা অদুদা মীচম অমা শোকপদগী জেনিমস হোস্পিতালদা লায়কন্নখি।

অমরোমদা, ঙসি অয়ুক পুং ৫ তারমদাইদা কুকি মিলিটেন্ট ওইগনি হায়না চিংনবশিংনা ৱাকান চীংথক্তগী সিনাম খোং খুল তমা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে। মদুদা মফম অদুদা মথৌ তৌদুনা লৈরিবা ষ্টেট ফোর্সকী মাইকৈদগী হন্দুনা নোংমৈ কাপখি। কুকিশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবা অদু অয়ুক পুং ৫ মখায়রোম তাবা মতমদা লেপখি। অদুমওইনমক, থৌদোক অদুদা অশোক অপন য়াওবগী পাউদি লৈতে।

মরক অসিদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শেঞ্জম চিরাংদা ঙসি কুকি মিলিটেন্টশিংনা দ্রোন বোম থাদদুনা লান্দারকখ্রে। থৌদোক অদুদা চিরাং মনিং লৈকাইদা লৈবা মশাগী চহি ২৩ খক্তা ঙাইরিবী নুপী অমা শোকপদগী লায়কন্নখ্রে হায়রি।

সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা অৱাং সেকমাইগা থংননা লৈরিবা কুকিশিংনা খুন্দাবা লুৱাংশনগোল অমদি ফাইলেন্দদগী কুকিশিংনা দ্রোন বোম

য়াওনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা অকনবা মওংদা লান্দাবগী থৌদোক্তা সেকমাই খুল ঙাকপা ভোলুন্তিয়ার মঙা রাজ মেদিসিতিদা মাইনর ওপরেসন তৌখ্রে হায়না কো-ওর্দিনেতিং কমিতি সেকমাই কংলাতোংবী কনবা লুপগী চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অসিনা হায়- শোক্লবশিং অদুগী মনুংদা অমনা রিমসতা ওপরেসন তৌখি অদুগা খরনা ফার্ষ্ট এইদ পীখি।

এময়ু (এল)ঃ সেন্তর ফোর সোসিয়েল ইনক্লুজন (সি.এস.এস.আই) মণিপুর য়ুনিভর্সিতিনা লেপ্তুনা চথরকপা ফোর্ট নাইটলি লেকচর সেরিজগী মখা চথরকপা ওইনা ঙসি লেন্দ লো এন্দ ইনক্লুসিভ দিভলপমেন্ট হায়বা হিরমদা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা থৌবাল কলেজদা পাঙথোকখ্রে।

সি.এস.এস.আই মণিপুর য়ুনিভর্সিতি অমদি থৌবাল কলেজগী আই.কিউ.এ.সিগা খুৎশমদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এম.য়ুগী ইকোনোমিক্স দিপার্টমেন্ট অমদি সি.এস.এস.আইগী হান্নগী দাইরেক্তর প্রোফেসার ই. বিজয়কুমারনা সোসিও ইকোনোমিক কন্দিসন ওফ দি মিতৈজ ইন মণিপুর, য়ুনাইতেদ কলেজ চান্দেলগী পোলিতিকেল সাইন্স দিপার্টমেন্টকী ঐচ.ও.দি- এসোসিয়েট প্রোফেসার ডাঃ বেঞ্জামিন গাংমৈনা ত্রেদিসনেল লেন্দ ওনরসিপ অমসুং রাইটস এমোং দ হিল ত্রাইবস ওফ মণিপুর হায়বা হিরমদা ৱা ঙাংখি।

হোম গার্দ (এল)ঃ হোম গার্দ পার্সোনেলশিংনা ফংলিবা পে রিভিউ তৌনবা সুপ্রিম কোর্টতা গৃহ মন্ত্রালয়না থারকখিবা পিতিসন গী মায়োক্তা হোম গার্দ পার্সোনেলশিংনা অচংবা শেনফম পুথোক্কুনা থেংননবগীদমক খন্নখিবা মীফমদা লাকখিদবা হোম গার্দ পার্সোনেলশিং সুপ্রিম কোর্ট অমদি হাই কোর্টতা থারিবা কেসশিংদা মশিং চনদ্রে হায়না মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা হায়রি।

এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্টকী চেরোল অসিনা হায়- বত্তাল্লিয়ন কম্মান্দরশিংগা তান্নরগা সুপ্রিম কোর্টতা কেবেট পিটিসন থাখ্রে। মীফম অদুদা

লাকখিদবা পার্সোনেলশিংদনা মশা মশাগী এদ্রেস স্পিদ পোষ্ট তৌদুনা অদুগা খরনা মশা মশাদা অইবা থাদুনা লাক্কবা খঙহল্লবসু লাকখিদ্রে। মরম অদুনা ওগষ্ট ৩১ দা ফমখিবা মেনেজিং কমিতি, বত্তাল্লিয়ন কম্মান্দর অমসুং তোঙান তোঙানবা কম্মান্দরশিংগী অপুনবা মীফম অদুনা অমুক হেন্না চেৎশিনবা ৱারেপ তাদুনা সুপ্রিম কোর্টতা থেংনগদৌরিবা রিভিউ পিটিসনগী কেস অমদি হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী কোর্টতা তোঙান তোঙানবা খুদোংচাবশিং ফংহন্নবা থারিবা কেসশিং অসিদা থৌশাদ্রে হায়না লৌবগা লোয়ননা লাকখিদবা পার্সোনেলশিং অদু কেসশিং অসিদা মশিং চন্দ্রে, মমিং হাপত্রে হায়রি।

চান্দেল (এল)ঃ নেসনেল অমসুং মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিগী লিচিং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতি চান্দেলনা শিন দুনা লিগেল এইদ ক্লিনিক অমদি রিলিফ কেম্পশিংদা স্পেসিয়েল লিগেল এইদ অমদি সার্ভিসেস কেম্প পাঙথোকপগী মতাংদা পেরা লিগেল ভোলুন্তিয়ারশিংগী ওইবা ত্রেনিং অমা ঙসি চীফ জ্দিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট চান্দেলগী কোর্ট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতি চান্দেলগী সেক্রেটরি এম.জে.এস- মসানা ই. পানমৈ, এদভোকেট কে.এস.ঐচ. সরনকুমারি, রিটেন্নর লোয়র কে.ঐচ. জেকি লুসি শরুক য়াখি।

এৱার্দ (এল)ঃ ডাঃ রনবির লাইশ্রমনা মার্সিল আর্টকী লমদা লৌরিবা থৌদাংবু শকখঙবা ওইনা চহি অসিগী ক্ষেত্রিয়া এচিভর এৱার্দ পীদুনা ইকায় খ্মখ্রে। এৱার্দ অসি ঙরাং চেন্নাই কমারাজর অরাঙমদা অখিল ভারতিয়া মহা সভানা শিন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অমদা খুৎশিন্নখিবনি। চহি অসিগী ওইনা রাজ্য ২২ দগী খনগৎলবা মীওইশিংগী মনুংদা অৱাং নোংপোক লমদমশিংগী মনুংদা ডাঃ রনবির য়াওরকখিবনি। মহাক অখিল ভারতিয়া ক্ষেত্রিয়া মহা সভা মণিপুরগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট ওইবতা নত্তনা ৱার্ল্ড ফুনবা ফেদরেসন ভারতিয়া মার্সিয়েল আর্টকী প্রসিদেন্টকী থৌসু পুরি।

কাউন্সিল (এল)ঃ কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুরনা লৌবা হায়র সেকেন্দরি একজামিনেসন ২০২৫ গী ওইনা সবজেক্টশিংগী ইম্প্রুভমেন্ট কেজ্‌য়েল অমসুং প্রাইভেট ওইনা শরুক য়াগদবা মহৈরোইশিংগী লিষ্ট ওনলাইনদা থাজিনবগী মতম থা অসিগী ২৫ ফাওবা শাংদোক্লে। কাউন্সিলনা থোকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না মরী লৈনবা স্কুলগী প্রিন্সিপাল অমসুং হেদশিংনা ২০২৪ গী হায়র সেকেন্দরি পরিক্ষাদা শরুক য়াখিবা মহৈরোইশিংগী মার্কসিট অমসুং এদমিট কার্দকা লোয়ননা দাউনলোদ তৌরবা মহৈরোইশিংগী লিষ্ট বাবুপারাদা লৈবা কাউন্সিলগী ওফিসতা থাজিল্লকবা হায়রি।

বেনিতা (এল)ঃ ভারত কা অমরিট কলাস হায়বা খুনুং ঈশৈদা অথোই অহেন তান্নবগী রিএলিতি সোদা মরিসুবা তারকখ্রবী বেনিতা লাইশ্রম ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। বি.এম ফাউন্দেসননা শিন্দুনা মেকোলাদা লৈবা ফাউন্দেসন অসিগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা বেনিতাদা অচম্বা খুদোল পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

কেবিনেট ঃ কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা লৈবাক অসিগী লৌমীশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবা অমসুং মখোয়গী শেন্থোক হেনগৎহন্নবা লুপা কোতি লিশিং ১৩,৯৬৬ চংনা পায়খৎকদবা স্কিম ৭ অমসুং লুপা কোতি লিশিং ২,৮১৭ চংগদবা দিজিতেল এগ্রিকলচর মিসনসু অয়াবা পীখ্রে।

নিউ দিল্লিদা ঙসি পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টি মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা হায়- লুপা কোতি লিশিং ৩,৯৭৯ চংনা পায়খৎকদবা ক্রোপ সাইন্স ফোর ফুড এন্দ ন্যুত্রিসনেল সেক্যুরিতিসু মন্ত্রি মন্দলনা য়ারে। মসিনা ইং ২০৪৭ ফাওবদা লৌমীশিংনা অঙ্গৈং অশাগী খল হোংলকপদা থেংননবা অমসুং চীঞ্জাক মরাং কায়না পুথোকবা হোৎনবদা মতেং ওইরগনি। সরকারনা এগ্রিকলচর ইজ্‌কেসন, মেনেজমেন্ট অমসুং সোসিয়েল সাইন্স হেন্না চাওখৎহন্নবা ৱারেপ লৌরে। হায়রিবা খোংথাং অসি এগ্রিকলচরবু মহৈরোইশিং

অমসুং রিছার্সরশিংনা হৌজিক থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং মায়োকবা ঙমবা পান্দমদা পায়খৎপনি।

মন্ত্রি মন্দলগী মীফমনা মরুওইবা কম্মর্সিয়েল হব অনি- মুম্বাই অমসুং ইন্দোরগী মরক্তা খ্বাইদগী নকপা কিলোমিতর ৩০৯ শাংবা অনৌবা রেল লম্বী শেমগৎনবসু অয়াবা পীরে। পুন্না লুপা কোতি লিশিং ১৮,০৩৬ চংনা পায়খৎকদবা প্রোজেক্ট অসি ২০২৮-২৯ দা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি।

------